# ইন্দিয়াগী অহানবা লোকপাল জষ্টিস পি সি ঘোস ৱাশক লৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ঃ*

জেনরেল ইলেক্সনগী নুমিৎ খরনিগী মাঙওইননা জষ্টিস পিনাকি চন্দ্র ঘোস ইন্দিয়াগী অহানবা লোকপাল নৎত্রগা এন্টি-করপসন ওম্বদসমেন ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোই য়াওনা রাস্ত্রপতি ভবনদা পাংথোকপা থৌরমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা মহাকপু ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখি।

মশাগী চহী ৬৬ শুরবা সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী জজ, জষ্টিস ঘোসপু সুপ্রিম কোর্টনা লোকপাল খন্নবগী থাখিবা অরোইবা মতম ফেব্রুৱারিগী অরোইবা নুমিৎ অদুগী চয়োন খরগী তূংদা প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা কমিটি অমনা খনখিবনি।

লোকপাল চীয়ারপার্সনগী ফমগীদমক মহাক্কী মমিং লাওথোকপা মতমদা মহাক নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কমিসনগী মেম্বর ওইনা থবক তৌরমখি।

লৈবাক অসিগী লোকপাল ওইনা জষ্টিস ঘোসনা, থবক তৌরিবা অমসুং হান্নগী মিনিষ্টরশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংগী মথক্তা করপসন কেসশিং থিজিনবগী শক্তি লৈ। ২০১৪ জনুৱারি ১দা প্রসিদেন্টনা লোকপাল এক্ট অয়াবা পীখিবা চহী ৫গী মতূংদা মহাকপু লোকপালগী ফম অসিদা হাপ্লকখিবনি।

২০১৭দা জষ্টিস ঘোসনা সুপ্রিম কোর্ট জজ অমা ওইনা থবক পোখাখি। কলকতা হায় কোর্টকী জজ অমসুং অন্ধ্র প্রদেশ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা থবক তৌরকখ্রবা মতুং ২০১৩দা মহাক সুপ্রিম কোর্টকী জজগী থাক্তা কারকখিবনি।

অন্ধ্র প্রদেশ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা মহাক্না করপসন কেস অমদা হান্নগী তামিল নাদু চীফ মিনিষ্টর জে জয়ললিতাগী নক্নবা তেঙবাংবা সসিকলাবু কনভিক্সন পীরমখি।

লোকপালগী জুদিসিয়েল মেম্বরশিং ওইগদবা তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্টশিংগী হান্নগী চীফ জষ্টিসশিং–জষ্টিস দিলিপ বি ভোসলে, জষ্টিস প্রদিপ কুমার মোহন্টে, জষ্টিস অভিলাশা কুমারী অমসুং ছত্তিসগর হায় কোর্টকী হৌজিক চীফ জষ্টিস ওইরিবা অজয় কুমার ত্রিপাথিগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাকসিগী এন্টি-করপসন ওম্বদসমেন অদু ওইনা জষ্টিস ঘোসপু হাপখিবনি।

জষ্টিস ঘোসনা চহী ৫গী তার্ম অমা নৎত্রগা মহাক মশাগী চহী ৭০ শুদ্রিবফাওবা ওফিস অসি পায়গনি।

## ভাইস এদমিরেল করমবির সিংহ মথংগী নেভি চীফ হাপখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ঃ*

ভাইস এদমিরেল করমবির সিংহনা মথঙগী চীফ ওফ নেভেল ষ্টোফ ওইরগনি হায়না ত্বিট অমদা দিফেন্স ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী মে থাদা থবক্তগী পোত্থরগদবা এদমিরেল সুনিল লনবানা ওফিস থাদোক্লবা তূংদা মহাকপু ফম অসিদা হাপকনি।

ভাইস এদমিরেল সিংহনা হৌজিক বিসাখাপতনমদা ইষ্টর্ন নেভেল কমান্দকী ফ্লেগ ওফিসার কমান্দিং ইন চীফ ওইনা থবক তৌরি।

নেভিগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইটতা মহাক নেসনেল দিফেন্স একাদেমি, খদাক্কাস্লাদা মহৈ তম্লকখি হায়রি।

জুলাই ১৯৮০দা ইন্দিয়ান নেভিদা কমিসন তৌরকখিবা ওফিসার অসিনা ১৯৮২দা হেলিকোপ্তর পাইলোট ওইরকখি। মহাক দিফেন্স সার্ভিসেস ষ্টাফ কোলেজ ৱিলিংটন, কোলেজ ওফ নেভেল ৱারফিয়ার, মুম্বাইগী গ্রেজুয়েটনি।

মহাক্কী চহী ৩৬কী কেরিয়রদা ওফিসার অসিনা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দ সিপ ১, নেভেল মিসাইল কোরভেট অমা লোয়ননা গাইদেদ মিসাইল দিষ্ট্রোয়রশিং কম্মান্দ তৌরকখ্রে।

## সমাজৱাদি পার্টিনা লূপা ক্রোর কয়াদা টিকেট য়োল্লি হায়না শিবপাল যাদবনা মরান শীখ্রে

*লখনৌ, মার্চ ২৩ঃ*

সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)না পার্টিগী প্রিন্সিপলশিং থুগাইখ্রে অমসুং অচৌবা মীওইশিংদা য়াম্লবা শেনফমগীদমক হৌজিক পাটিগী টিকেটশিং য়োল্লি হায়না ঙসি প্রগতি সিল সমাজ ৱাদি পার্টি (লোহিয়া) (পি এস পি এল)গী চীফ সিবপাল যাদবনা মরান শীখ্রে।

ঙসি পার্টি প্রিন্সিপলশিং থুঙাইরিবা মীওইশিং অদু কনানো? সমাজৱাদকী মরমদা খঙদবা মীওইশিং অদুননি। য়াম্লবা শেনফমশিং অদু পীবা ঙম্বা অচৌবা মীওইশিংদগী পার্টি টিকেটকী মহুৎ ওইনা লূপা ক্রোর ১০, লূপা ক্রোর ১৫, ক্রোর ২০ অমসুং ক্রোর ২৫ ফাওবগী শেনফমশিং লৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

সমাজৱাদকী প্রিন্সিপল থম্মোই শেঙনা ইল্লিবা মীওইশিংবু তপ্না তপ্না ইন্থোক্লক্লি হায়না হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর অসিনা মরন শীরি।

সমাজৱাদি ওইরিবা মীওইশিংনা অসিগুম্বা য়াম্লবা শেনফম পীবা ঙমদে মরম অদুনা মখোয়না করন্না ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌবা ঙমগনি অমসুং মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা ঙমগনি ?

সমাজৱাদিশিংবু তপ্ন তপ্না পার্টিদগী ইন্থোক্লক্লি হায়না মিষ্টর যাদবনা হায়খি। মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগা এলায়েন্স অমা তৌনবা মাগী পার্টি পি এস পি এলনা হোৎনবদা কোংগ্রেস পার্টি মনূংদগী লূচিংবশিংনা থিংজিনখি।

মীয়ান্না বি জে পি থেঙ্নবা পি এস পি এলগা কোংগ্রেসকা এলায়েন্স অমা তৌনবা পাম্মি। অদুবু কোংগ্রেস মনূংগী মীওই খরনা মখোয়গী লূচিংবশিংবু লান্ন লঞ্জিংই মরম অদুদগী এলায়েন্স শেম্বা ঙমখিদ্রে হায়খি।


# লোক সভা মীখলগীদমক চহী ৭৫ অমসুং মথক্কী বি জে পি ভেটরানশিংবু থবক পোত্থাহনবগী ফিভমদা থমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ঃ*

বি জে পিনা মশাগী চহী ৭৫ অমসুং ৭০গী মথক্তা লৈরবা অহল ওইরবা লূচীবশিংবু মীখলদগী তপ্না তপ্না লাপথোহল্লক্লি। এল কে অদবানিবু মাগী গান্ধীনগর কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা পার্টি চীফ অমিত শাহনা মহুৎ শিনখ্রে। নাইনিতালদগী ভগৎ সিংহ কোশয়ারি (৭৬) অমসুং উত্তর খন্দগী পাওরিদা বি সি খন্দুরি (৮৫) য়াওনা হৌজিক হৌজিক পার্টিগী এম পি ওইরিবা কয়াবু মীরেপ ওইহনখিদ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী কাংগ্রাদগী লোমেকর ওইরিবা সান্তা কুমার (৮৪)না মহাক ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌররোই হায়না হান্নগা হায়খ্রে।

বি জে পিগী মনূংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকপদা পার্টিগী অতোপ্পা অহল ওইরবা লূচীংবা মুরলি মনোহর জোশিবুসু মাগী কানপুর কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী লৌথোকখ্রে। মসিদ নৎতনা লোক সভা স্পিকর সুমিত্রা মহাজন ইন্দোরদগী টিকেট ফঙগদ্রা



শেঙনা খঙদ্রি। সুমিত্রা মহাজন চহী অসিদা মশাগী চহী ৭৬ চংশিলক্লবনি।

সিটি অসিদা 'তাই' হায়না নুংশিনা কৌনরিবী সুমিত্রা মহাজননা ১৯৮৯দগী হৌনা ইন্দোরদগী মায় পাক্লকখি। ১৯৮৯দা মহাক্না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর প্রকাশ চন্দ্র সেথিবু ভোত লাক্ষ অমা হেন্দুনা মায়থিবা পীরম্বনি।

মীয়ান্না সতান হায়না খঙনবা মধ্য প্রদেশকী সেনিয়ার বি জে পি লিদর সত্যনরয়ন (৭৯)না হৌখিবা চয়োলদা স্পিকর মহাজনবু মাগী কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মীয়ামগা শন্নখিদ্রবনা মঙোন্দা টিকেট পীরোইদবনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা হায়খি। করিগুম্বা পার্টিনা মঙোন্দা ৯লক শুবা ওইনা টিকেট পীবা তারবদি ঐহাক ইন্দিপেন্দেট কেন্দিদেট অমা ওইনা মাগী ময়োক্তা তঙাই ফদনা কন্টেষ্ট তৌবা তাবনি হায়খি।

ঝরখন্দদা খুনতিদগী এম পি ওইরিবা সেনিয়ার বি জে পি লিদর কারিয়া মুন্দাবুসু হন্দক মীরেপ ওইহন্দবা য়ারি। মহাক মশাগী চহী ৭৪ শুরক্লে। কনষ্টিট্যুয়েন্সি অদুদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর আর্জুন মুন্দাবু পার্টিনা মীরেপ ওইনা থারকপা য়ারি।

বিহারদা মশাগী চহী ৭৯ শুরবা হুকুম দেব নারয়ন যাদবনা এক্টিব পোলিটিক্সতগী পোত্থানবা অপাম্বা হান্নগা ফোঙদোকখ্রে। বি জে পিনা ঙসি মহাক্কী মচানুপা অসোক যাদবপু মাগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি মধুবানিদগী মীরেপ ওইনা লাওথোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা দিওরিয়াদগী অতোপ্পা লোমেকর কালরাজ মিশ্রা চহী ৭৫ হেল্ল অমসং মহাক কন্টেষ্ট তৌরোই হায়না মহাক্কী পার্টিদা হান্নগা হায়খ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কেবিনেটতা য়াওরিবা সেনিয়ার লিদর অমসুং মিনিষ্টর ২– সুস্মা স্বরাজ অমসুং উমা ভারতিনা মখোয় মখোয়গী হকচাংগী ফিভমদগী মীখল কন্টেষ্ট তৌদনবা লেপখ্রে। অদুম ওইনমক মখোয় অনীদি চহী ৭০ য়ৌদ্রিবশিংনি।

## বিজয় মলল্যাগী মরন এট্টেচ তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ঃ*

দিল্লি কোর্ট অমনা ফেরা (ফোরেন এক্সচেঞ্জ রিগুলেসন এক্ট) থুগাইবগা মরী লৈনবা কেস অমদা লিকর বেরোন বিজয় মলল্যা গী বেঙ্গলুরুদা লৈবা মরন-মথুমশিং এট্টেচ তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে।

চীফ মেট্রোপোলিটানন্ট দীপক শেরাৱটনা মথঙগী হীয়ারিংগী নুমিৎ জুলাই ১০ ফাওবগী মনূংদা মরন-মথুমশিং অদু এট্টেচ তৌনবা ষ্টেট পুলিসতা য়াথং পীখ্রে।

বেঙ্গলুরু পুলিসনা মলল্যাগী মরন-মথুম ১৫৯ মশক খঙদোক্লে অদুবু অমত্তা এটেজ তৌবা ঙমদ্রি হায়না কোর্ট অসিদা হান্ননা পাউ খঙহনখ্রবনি।

কেস অসিদা কোর্টতা মশা লাক্ননবা খঙহনবদা নাম্থোক্তুনা লৈবগীদমক হৌখিবা চহী জনুৱারি ৪দা কোর্টনা বিজয় মলল্যা প্রোক্লেম ওফেন্দর ওইনা লাওথোকখ্রবনি।

## টেলুগু ষ্টেটশিংদা কোংগ্রেস লূচীংবা (লূপা ক্রোর ৮৯৫)না খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীরেপ ওইরে

*হায়দরবদ, মার্চ ২৩ঃ*

টেলঙ্গনাগী চেভেল্লা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ কোন্দা বিশ্বেস্বর রেদ্দিনা মাগী মীরেপ চেগী এফিদেবিদতা লূপা ক্রোর ৮৯৫কী মরন-মথুম লাওথোক্তুনা টেলুগু ষ্টেট অনীমক্তা মহাক্না খ্বাইদগী ইনাকখুনবা পোলিটিসিয়ান ওইরে।

মহাক্কী লূপা ক্রোর ২২৩গী মোভেবল এসেটস লৈ। মসিগী মথক্তা মহাক্কী লোয়নবী কে সঙ্গিতা রেদ্দি (জোইন্ট মেনেজিং দাইরেক্তর, এপোল্লো হোস্পিটালস)গী লূপা ক্রোর ৬১৩গী এসেটস লৈ। মসিগী মথক্তা মখোয়গী মচানুপাগী লূপা ক্রোর ২০ লোমগী এসেটস লৈ।

অদুম ওইনমক ইমূংগী মীওইশিং অসিগী মীওই অমত্তনা কার অমা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মোটোর ভেহিকলগী মপু ওইদে।

বিশ্বেস্বর রেদ্দিগী লূপা ক্রোর ৩৬কী ইম্মোভেবল এসেটস লৈ। মহাক্কী লোয়নবীগীনা লূপা ক্রোর ১.৮১গী এসেটস লৈ।

ঙরাং মহাক্কী মীরেপ চেপীশিনবদা য়াওবা এফিদেবিট অমদা ইঞ্জিনিয়ারদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা রেদ্দিনা মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনূংশিংগী এসেটস লাওথোকখি। ২০১৪দা মহাক্না লূপা ক্রোর ৫২৮ হেনবগী ফেমিলি এসেটস লাওথোখি। মতম অদুদা মহাক টেলঙ্গানা রাস্ত্র সমিটি (টি আর এস) মীরেপ ওইনা মীখল থেঙনখি অমসুং মায় পাকখি। হৌখিবা চহী দিসেম্বরদা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মমাঙদা মহাক কোংগ্রেসতা য়াওরকখি।

## বি জে পিনা টিকেট পীদ্রবা রাজস্থানগী অমতা ঙাইরবী নুপী এম পি শাওখ্রে



*জৈপুর, মার্চ ২৩ঃ*

লাক্লিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগীদমক রাজস্থানদা অপূনবা মীরেপ ২৫গী মনূংদগী বি জে পিগী অহানবা মীরেপ ১৬কী লিষ্টতা য়াওরকখিদ্রবী লোক সভাদা ষ্টেট অসিদগী অমত্তা ঙাইরবী নুপী পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর নৎত্রগা এম পি ওইরিবী সন্তোস অহলৱাটনা মাগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমসুং পার্টিগীদমক থবক তৌজরবসু পার্টনা মাবু ইন্থোকপীরে হায়দুনা অশাওবা ফোঙদোকখ্রে।

কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগীদমক পার্টি অমসুং ৱার্করশিংগীদমক চহী ৫ ঐহাক্না থবক তৌজরকখ্রবা ফাওবদা ঐঙোন্দা টিকেট পীরকখিদবা অসি য়ান্না নীংবা কাইনীংঙাইনি। পার্টিগী মীরেপশিংগী লিষ্টতা ঐগী মিং লৌথোকখিবসি মরম চাবা অমত্তা লৈতে হায়না রাজস্থানগী ঝুনঝুনুদগী এম পি ওইরিবা অহলৱাটনা হায়খি।

ঐগী মতমদা হায়ৱে ৪ শেমখি অতৈ থবক কয়ামরু তৌখিবগী মথক্তা পাসপোর্ট ওফিস হাংদোকখি। 'বেতি বচাও বেতি পড়াও'দা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিদা ঐনা তৌখিবশিং অদুগীদমক ঐখোয়না এৱার্দ ৪ ফঙখিবনি হায়খি। ২০১৪ লোক সভা মীখলদা মাগী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বাদগী ভোত লাক্ষ ২.৩৩ হেন্না ফঙদুনা মানা মায় পাকখিবনি হায়রি।

# আই এস আই এস খালিফেট মায়থিখ্রে, অরোইবা খুঙ্গং পায়শিল্লে হায়না য়ু এসনা শৌগৎপা এস দি এফনা লাওথোকখ্রে

*বাঘৌজ, মার্চ ২৩ঃ*

মতম অমদা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী অহুম থোকপগী শরুক অমা পায়রমখিবা আই এস আই এসকী খালিফেট অদুগী মতম লোইখ্রে লাওথোক্লদুনা য়ু এসনা ঙাক্লৌ পীবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস টি এফ)না সিরিয়াদা আই এস আই এসপু মখোয়গী অরোইবা টেরিটোরি মচেৎ অদুদা মায়থিবা পীখ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



এস দি এফনা মখোয়না খালিফেটনি হায়রিবা অদু পূংমুৎ মুৎথৎলে হায়বসি লাওথোক্লি হায়না এস দি এফ মেদিয়া ওফিসকী মকোক মুষ্টাফা বালিনা ত্বিটরদা ইখি। বাঘৌজ আই এস আই এসকী মখুত্তগী মনীং তমহল্লে। দেশকী ময়োক্তা মীলিটরিগী মায় পাকপা অদু মপূং ফানা লোয়শিল্লে হায়না মহাক্না ইখি। দেশ হায়রিবসি আই এস আই এসপু খঙননবা অরবিক লোনগী ৱাহৈ অমনি।

য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সনা চয়োল কয়ামরুম ইরাক ঙমখৈদা লৈবা সিরিয়াগী বাঘৌজ খুদম চন্নবা লাম্থেংনরকখি।

বাঘৌজদা আই এস আই এস মায়থিখিবা অদুনা ২০১৪দা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা মখোয়না লাওথোকখিবা জিহাদিজ ষ্টেট অদুগী মথক্তা গ্রুপ অসিনা খূৎপাই চেৎনা পায়রম্বদু লোয়শিল্লবসু গ্রুপ অসিনা পীরিবা অকীবা অদুদি অদুমক লৈরি।

মসিগী মরমদি মখোয়গী ফাইটরশিং হৌজিকসু সিরিয়াগী মনূং হনঞ্জিনবা ময়াই থংবা মরুভূমিগী লমদমদা পূন্দুনা লৈরি। ইরাক সিটিশিংদসু চেনশিনখ্রে। মখোয়না খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অমসুং মী ফাবগী থৌদোকশিং চথরি। অদুগা অমুক হন্না হৌগৎলক্নবগী অচেংবা তাঞ্জা অমা ঙাইদুনা লৈরি।

আই এস আই এসগী লিদর অবু বক্রা-অল-বাঘাদাদি ইরাক্তা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাজরি।

মুস্লিম পূন্নমক্কী মথক্তা সোভরেন হায়বদি খালিফানি হায়না মশামক্না লাওথোক্লবা ২০১৫দা ইরাককী মোসুলদা লৈবা ময়াই থংবা য়ুগকী অচৌবা মোস্ক অদুগী মথক্তা মহাক্না লেপখি।

অফগানিষ্টান, নাইজেরিয়া অমসুং অতৈ মফমশিংদা লৈবা জিহাদিজশিংনা আই এস আই এসকী মতূং ইল্লি অমসুং নোংচুপ লৈবাকশিংদা লৈবা মখোয়গী মীওইশিংদনা অনৌবা এটেকশিং চথনবা অরোনবা থৌরাং তৌরকপা য়াই হায়না ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসশিংনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা সিরিয়ান এম্বেসিদর বাসার জাফরিনা সিরিয়াদা আই এস আই এস হৌজিক ফাওবদি লোয়শিনদ্রি হায়না ঙরাং হায়খি। মসিগী ময়োক্তা তশেংনা লাম্থেংনরিবদি রসিয়া অমসুং ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা দামস্কস গভর্ণমেন্টননি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নৎতে হায়না এম্বেসেদর অদুনা মখা তাখি।

মরুওইবা টেরিটোরি অমদগী আই এস আই এসপু মুৎথৎপা অসি সিরিয়াগী চহী ৮গী লান অসিদা অচৌবা খোঙথাং অমনি অদুবু লেমহৌরিবা অতৈ মফমশিংদদি সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ, টরকিনা শৌগৎপা রিবেলশিং অমসুং কুরদিসনা লূচিংবা এস টি এফকগী মরক্তা মচেৎ তান্নরি।

অসাদ অমসুং মাগী ইরানিয়ান এলাইশিংনা সিরিয়া লোয়নমক অমুকহন্না পায়শিন্নবা ৱাশক্লি। অমরোমদা টরকিনা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অমা ওইনা উরিবা এস দি এফপু ফোর্স শিজিন্নদুনা তাম্থোক্লবা কীহল্লি।

অৱাং নোংপোক সিরিয়াদা য়ু এস ট্রুপশিং মখা তানা লৈরবদি হায়রিবা ফিভমশিং অসি থৈদোকপা ঙম্লবা য়াই।

আই এস আই এস অসি ইরাকতা অল-কৈদা ফেক্সন অমা ওইনা হৌরকখিবনি। অদুবু সিরিয়াগী সিভিল ৱারগী খুদোঙচাবা লৌদুনা ইরাককী লম পায়শিন্নবা হোৎনরকখিবনি অমসুং গ্লোবেল জিহাদিষ্ট ওর্গনাইজেসনদগী মচেৎ তারকখিবনি।

# সাইক্লোনগী চৈথেংদা মুজাম্বিকতা ৪১৭ শিখ্রে, বেইরাদা কোলেরা লায়না শন্দোকপগী পাউ লৈরে



*বেইরা, মার্চ ২৩ ঃ*

খা থংবা অফ্রিকাদা নোংলৈ-নূংশিৎ অমনা মাং-তাকপা থোকহনখ্রবা অমসুং শাথিবা ঈচাও থোকহনখিবা অদুদা মোজাম্বিক্তা শিখিবা মীগী অপূনবা মশীং ৪১৭ য়ৌরে হায়না লেন্দ এন্দ এনভাইরোমেন্ট মিনিষ্টর সেলসো কোরৈয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈরিবা ফিভম লুরি হায়খ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা পূংদা কিলোমিটর ১৭০ য়াঙবা নুংশিৎকা লোয়ননা সাইক্লোন ইদাইনা মোজাম্বিককী হীথাংফম সিটি বেইরাদা শিৎলকখিবনি। মদুগী মতূংদা থংনবা জিম্বাবৱে অমসুং মলাৱি তন্না চৎখিদুনা লমদম অদুদা বিল্ডিংশিং থুগাইখি অমসুং মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী পূন্সি খুদোঙথিহনখি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম খজিক্তং ফরবসু অদুম্মক অরুবা ওইরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি। অদুবু লাইবকথীবদি মী শিবগী মশীং হেনগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীগী মশীং ৪১৭ য়ৌরে হায়খি।

নোংলৈ নুংশিৎনা পুরকখিবা নোংনা বুজি অমসুং পুঙ্গৱে তুরেলশিংগী তোর্ব্বান পাথোকখ্রে। কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ারস (ও সি ঐচ এ)গী য়ুনাইটেদ সেন্সস ওফিসনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা বুজি অমসুং জাম্বেজি তুরেলশিংগী তোর্ব্বানশিং অমুক হন্না কাইখিবা য়াবগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইরে হায়খি।

মোজাম্বিকতদা নৎতনা নোংলৈ নুংশিৎ অসিদা জিম্বাবৱেদসু পূন্না মী ২৫৯ শিখি। মশীং অসিসু হেনগৎলকখিবা য়াই হায়না রিলিফ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোক্লি।

ইদাই য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা অকনবা নোং চুরকখিবদা মলাৱিদসু মীওই ৫৬ শিখি। মীওই লাক্ষ ৫ লৈবা হীথাংফম সিটি বেইরাদা কোলেরা নাবগী পাউশিং লৈরে হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল ফেদরেসন ওফ দ রেদ ক্রোস এন্দ রেদ ক্রিসেন্ট সোসাইটিজ (আই এফ আর সি)না হায়খি।

হৌজিক ফাওবগীদি কোলেরা অমসুং অতৈ ঈশিংনা থোকহনবা লায়নাশিং অরুবা ৱাথোক অমা ওইদ্রি। অদুমকপু লায়নাশিং শন্দোরকপগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইবদুদি ৱাংনা লৈ হায়না মোজাম্বিককী লেন্দ এন্দ এনভাইরোমেন্ট মিনিষ্টর কোরৈয়া অমসুং ও সি ঐচ এ কোওদিনেটর সেবষ্টিয়ান রোদেস ষ্টামপা অনীমক্না হায়খি।

## চিনাদা বস মৈ চাকপদা ২৬ শিখ্রে, ৩০ শোকখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ২৩ ঃ*

পেসেঞ্জর ৫৩, দ্রাইভর ২ অমসুং টুর গাইদ ১ য়াওনা পূন্না মীওই ৫৬ তোংবা টুরিষ্ট বস অমা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ময়াই থংবা চিনাগী হুনান প্রোভিন্সতা থৌরকপদা মৈ চাক্লকপদগী পোকখাইবা মীওই ২৬ শিখ্রে অমসুং ৩০ শোকখ্রে হায়না মফমদুগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অরুবা ফিভমদা শোকপা ৫ য়াওনা অশোকপশিংদু হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। দ্রাইভর ২ অদু ফাখ্রে। অমসুং খুদোঙথিবা থৌদোক অদুগী হৌরকফম মরম অদু খঙনবা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়না চাংদে সিটিগী ওফিসিয়েল অমনা থাদোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ট্রাফিক্কী সেফ্টি রিগুলেসনশিং অয়াম্বা মতমদা থুগাইবা অমসুং ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটিজনা রিগুলেসনশিং অদু ইলহন্নবা কন্না হোৎনরিবা চিনাদা তমথিবা কার এক্সিদেন্টশিং অয়াম্বা মতমদা থোকই।

অকুপ্পা মরোল ফঙবা খ্বাইদগী নৌবা চহী ২০১৫দা চিনাদা ট্রাফিক এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ৫৮,০০০ লোম শিখি।

## ঘনাদা বস থেঙ্গাইনবদা য়ামদ্রবদা ৬০ শিখ্রে

*অক্রা, মার্চ ২৩ ঃ*

ঘনাদা পেসেঞ্জর বস ২ থেঙ্গাইনবদা য়াদ্রবদা মীওই ৬০ শিখ্রে, বস ২দদুগী মনূংদা অমা মৈ চাকখ্রে, অতোপ্পা বস অদুনা শাথিনা সুপচিনখ্রে।

বস ২দুদা পেসেঞ্জর ৫০-৫০ রোম পুরকগা লাকখিবনি। বস ২দুগী মনূংদগী মৈ চাকখিবা বস অদুদা তোংবা মীওইশিং মৈনা কাথেকপদগী মশক খঙবগী ৱাংমদা লৈরে।

মৈ চাকপা অদু মুথৎখিবা ফাইয়ার ফাইটরশিং য়াওনা এক্সিদেন্ট মফম অদুদা ইমরজেন্সি সার্ভিসশিং থুংলখ্রে। কিমতামপো গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা ডাক্তর ক্বামে অরচিন কৌবা অমনা কোকতা শোকপা অমসুং শরু তেকপশিংগীদমক মীওই ২৮ লায়কন্নরি, মসিগী মনূংদগী ৭কী ফিভম লুরি হায়খি।

বস থেঙ্গাইনবগী মরম হৌজিক খঙবা ঙমদ্রি অদুবু বস অমগী দ্রাইভর অমা তুম্বদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইগনি হায়না মফমদুগী মেদিয়ানা হায়খি। হিংহৌবা খরনা ফোঙদোকপদা মখোয়গী দ্রাইভর অদু নুমিদাং অদুদা মতেক মতেক তুমথখি মরম অদুনা মঙোন্দা গারী খান্নবা হায়খি অমদুবু য়াখিদে হায়না কিমতামপো ফয়ার সার্ভিস কমান্দর অনকোমাহানা লোকেন ষ্টেসন টিভি–৩দা পেসেঞ্জরশিংদুগী ৱা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-75**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | | | | 5 | | 4 | |
| | 1 | | 6 | 3 | | | | 2 |
| 3 | 2 | | | | 4 | | | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 3 | | | | | |
| 9 | 4 | 3 | 5 | | | | | |
| 1 | | | | | 7 | 3 | 6 | |
| | | | 4 | | | 6 | | 7 |
| | | 4 | | 6 | | | 3 | |
| 5 | | | | 1 | | 4 | | |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**

Booking : 22/01/19
Valid : 16/01/19
Stk : 918
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**সনা–সুদোকু –৭৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 6 | 9 | 2 |
| 4 | 7 | 6 | 1 | 9 | 2 | 3 | 8 | 5 |
| 9 | 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 1 |
| 8 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 6 | 9 |
| 7 | 9 | 4 | 6 | 5 | 3 | 1 | 2 | 8 |
| 6 | 1 | 5 | 9 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 |
| 1 | 6 | 9 | 5 | 8 | 7 | 2 | 4 | 3 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 2 | 3 | 8 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 |